# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা



Marina Varga



Charlie Chaplin and Edna in a Film



Pola Negri

- অদুবু লাইবক থীবদি প্রেসনা আর্ট ফিল্মনি হায়না শন্দোক্লুবদগী ফিল্ম অদু য়েংবীনবা মী ৱাংখি। মরমদি প্রজানা চার্লিবু ফাগী তৌবা ফিল্মখক্তদা উনিংঙি। আর্ট ফিল্মদা উবা পাম্নদে হায়বদু তাকপনি। চার্লিনা মতুং তাবদা ফিল্মদু থাদোকখিদে, চহী ৫০ রোম উপুদা থমখি। অদুবু মশানদি ফিল্ম অদুগীদমক চাউথোকচৈ।
- অসুক কুইবসি ফিল্মগী হোৎনবদা চার্লিগী লম্নাই পুন্সিদা পূক্নিং চঙলুদ্রবনি। অদুবু A woman of Paris অসি নম্লিঁৈদদি জর্মনীদা উনরম্বী পোলেন্দগী এক্ট্রেস Pola Negri সু Hollywood তা Career শেম্নবা থুংলরে। মহাক্না চার্লিবু থিরক্লে। চুম্না থিরকপা নত্তে, নুংশিবা অমা য়াওনা থিরকপা ওইরম্লে। চার্লিনদি জর্মন্দা হেক উবদা নুংশিবা ফাওখ্রবসু Pola বু পাক্না উননবা হোৎনরমদে। থা অমগী মতুংদা ১৯২১গী ওক্টোবর থাদা উনরে।
- লোন ফাওনবা ৱাৎলবসু নুংশিবগী লোন লৈতে হায়নবগুম অনীদু নুংশিবা ফোঙদোক্লুরে। লুহোংবগী ৱাফাও লেপ্লরে। নুমিৎ লেপকদবদা মঙায়রে। Pola Negri না চার্লিগী মশাগী য়ূম অমতং শাগৎনবা তকশিল্লরে। থা ৯ লোম নুংশিনবা অদুদা চার্লিগী একর ৬ মখায় চাউবা লমদুদা শাগদবা য়ূমগী দিজাইন, কা মশীং, পানগদবা থোঙনাউগী পাকপা-চাউবা, য়ূমগী অকোয়বদা থাগদবা উ মখল, লৈ মখলফাও তান্নররে, নোংমদি য়ূমদুগী মবেন্মা ওইরদৌবগী মওংদা।
- অদুবু লাইবক থীবদি চার্লিগী মফমদা মানা শীল্লুবা নত্তবা মীংচৎ থীবা থৌদোক হেক্তা থোকপা অদুনি। মেক্সিকোদগী Marina Varga কৌবী নুপী অমনা মাগী নুপা তাক্লমদনা লোন্না নুপাগী ফিজেৎ শেত্তুনা অমেরিকাদা চঙশিল্লক্লগা ফিল্ম কূমনীংবদগী চার্লিগী ষ্টদিওদা থুংলরে। চার্লিগী দ্রাইভর Kono না তাম্বোকখ্রবা অদুফাওবদা চার্লিগী য়ূমদা লোন্না চঙশিল্লত্তুনা শিরনি হায়দুনা হোৎনররে। পাউ-চেদা শরা শল্লে। Pola Negri সু মমিৎনা উখ্রে। ৱাথোক লৈরবা চার্লিবু পাম্লক্ত্রে।
- মদুগী মমাঙদনা পাউ-চেদা চার্লিনা হায়খিদবা ৱা অমা ফোঙলক্লে। মদুদি চার্লিদি লুহোংনবা পৈশা লৈত্রি, পৈশা তানখিনি হায়রে হায়না। মদুগী ইকাইদুনা লৈবগা মেক্সিকো নুপীদুগী ঈরাংদুগনা Pola Negri চার্লিবু থাদোক্লগে লেপ্লে। মানা অসুম্না Examiner পাউ-চেগা উনবদা ইথোক্লক্লে, "He is a charming fellow. We are still friends. But I could have never married him... He is too temperamental ... as changing as the wind ... he dramatizes everything ... he experiments in love ... he has not any quality for matrimony."
- মমৈথংদা Pola Negri লুহোংখ্রে Prince Serge Mdivani দা। মখোয়নীগী লুহোংবদু মতমদুগী Hollywood কী খ্বাইদগী চাউবা লুহোংবা ওইখি। Pola Negri মতম খরা য়ুরোপতা হল্লুরে। অদুগা ১৯৪৩দা অমেরিকাদা হল্লকখি। ১৯৬৪দা The Moonspinners কৌবা ফিল্ম অমুক্তং কুম্লম্লগা Texas কী San Antonio দা লৈতানা লৈখি।
- অসুম্না ফাগীগী নিংথৌরেলগা ট্রেজেদীগী মহারানীগা অনীগী নুংশি ৱারী তেনশিনখি। চার্লিগী তুংগী ফিল্মদা Pola Negri গা তিন্নরুবদগী কান্নবা মচাক য়াম্না ফংখি। য়ুরোপকী নুপীগী লমচৎ শেন্বদা। Virginia গী Peggy Hopkins Joyce থেংনবদা ফংখিবা এক্সপরিএন্স অদুদগী হেনবা এক্সপরিএন্স কয়া হন্দক ফংবা ঙমখি।
- কায়নখ্রবসু চার্লিনা মতমদুগী ফজবা য়ূমশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা মাগী য়ূমদু Pola Negri না পাম্লম্বা ষ্টাইল অদুদা শাখি, মানা পাম্লম্বা উ থাখি। উ পরেং অদুনা মাগী য়ূমদু চহী কয়া খনজিন্দুনা ফজহনখি।
- A Woman of Paris ফিল্ম অসিগী মতুংদা চার্লিনা করি ফিল্ম পায়খৎসিগে খন্দুনা লৈখি। মতাংসি Edna সি মশা নোয়খৎতুনা মৌ মাল্লকপা অমদি য়ু থকমন্দুনা এক্টিং য়ারক্তবা ওইবদগী মাবু শিন্দোক্লগে হায়না চার্লিনা খনখি।
- মতাংসিদা এদনাগী ৱাথোক অমসু থোক্লে। ১৯২৪গী চহী হৌবা নুমিত্তা পৈশা পায়বা Courtland Dines কৌবা অসিগা নুমিত্তু য়ু থকমিন্নদুনা নুংঙাইথোক্তুনা লৈরুরে। নুংথিলদনা Actress Mabel Normand সু য়াওররে। ঙাইহাক লৈরগদি মাবেলবু লৌবা মাগী গাড়ী লাক্লে। মদুদা Dine হায়বা নুপাদুগা গাড়ী দ্রাইভর অদুগা করিগীনো খঙদনা মরৈ অমা য়েৎনরকপদগী দ্রাইভরদুনা মাবেলগী রিভোলভর অদু গাড়ীদগী লৌথোক্লগা Dine দা কাপশিল্লুরে। শিবমক্তি শিহৌদ্রে। অদুবু এদনাদি ৱাথোক অদুদা মীংচৎ লোইখ্রে।
- অদুনা চার্লিনা এদনাবু ফনা নুংশিরবসু মাগী ফিল্মগী Heroine ওইহনবদি য়াদ্রে। অদুনা অনৌবা লৈশাবী অমা য়েংবা হৌরক্লে।

-মথং-মথং

ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ





# সিজনগী স্কিন ক্যার টিপস




নোংজুথা লাকপা হায়বদি হান্নগী সিজনদগী অহোংবা অমা লাকপা হায়বসি ঐখোয়গী উনশাগী চেকশিন থৌরাংসু হোংদোকপগী তঙাই ফদবা লৈ হায়বনি। মরু ওইনা নোংজুথাগী ৱেদর কন্দিসনশিংনা নহাক্কী উনশাদু করি ওইরক্কদগে হায়বা খঙদবা মওংদা অওনবা উরকপা য়াই। করিগুম্বা মতমদা উনশাদু কা হেন্না ওইলি ওইদুনা উরিং ময়াম থোকহল্লকপা য়াই নৎত্রগা করিগুম্বা মতমদা দিহাইদ্রেটেদ ওইদুনা উনশাদু ইতিং তিংখিবা, চিংথৎপদৌনা তৌরকপা য়াই। নহাক্কী উনশাদু অসিগুম্বা মতম অসিদা থোৎ থোৎ লাওনা চিংথোক-চিংশিন য়াগদবা মওংদা লৈহন্নবা চেকশিল-থৌরাং খরা তঙাইফদনা চঙলি। মমাঙগী চয়োল উনশা, শম অমসুং হকচাংগী মরমদা মরু ওইনা নোংজুথাগী মতমদা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মরমদা ইজখ্রে। মখা তানা হৌজিক স্কিন ক্যারগী মরমদা খরগসু ইজরি। ইশা ইশাগা চুনগদবা মওং য়েংবীরগা এপ্লাই তৌবীয়ু।

অহানবদা স্কিন ক্যারগী মতাংদা তৌগদবদি অমোৎ-অকায়শিং উনশাদগী মাংহনবনি। লৈবাক অসিদা কুমগী নোং লাকপদা অমোৎপা, উফুল-ৱাইফুলশিংসু লোয়নরকই। উফুল-ৱাইফুলশিংনা উনশাদা তোংশিন্দুনা উনশাবু মকশিন্না উহল্লি। মরম অদুনা ঐখোয়না উনশাদগী অমোৎ-অকায়শিং অদু লৌথোক্লবা অমসুং উনশাবু শ্বর হোলহন্দুনা মঙাল থোক্না ফজহন্নবা হোৎনগদবনি।



করং-করং লাওবা উনশা (দ্রাই স্কিন) : অসিগুম্বা উনশাদি কৈদৌঙৈদসু লূ-নানবা উনশা হায়বদু ওইদে। দ্রাই স্কিনগীদমক্তদি খোইহি অসিনা ক্লিন্সরশিং অমসুং মোইসচুরাইজর পুন্নমক্কী মরক্তগী হিরোনি। অলমোন্দ তকখায়রগা খোইহিগা তিন্নদুন পেষ্ট শেল্লগা মদু মিনিট ৫-৭ ফাওবা মায়দা তৈরগা থমগদবনি।

লেক কাগনবা উনশা (ওইলি স্কিন): অসিগুম্বা স্কিনগী ক্লিন্সীংদি ঐখোয়না হেঞ্জিন্না তৌগল্লি। ওইলি স্কিনগী ওইনা থাঙ্গৈশেংনা ঐখোয়না তৌগদবদি অমেংবা ক্লিন্সর অমা শিজিন্নবা অমসুং মদু নোংমদা অনী-অহুম্লক শিজিন্নদুনা তুখোংশিংবু ফূনজিনহন্দবনি। অমোনবা ক্লীনর ওইনা অমুনবা অৱাথবীনা উনশাদা তৈবসু য়াই। উবা ফংদবা মহীক-মতাই মাইক্রোশিংগীদমক্তদি ঐখোয়না স্কিন তোনিং তৌগদবনি। নহাক্কী নুমিদাং তুঙ্লমদাইগী স্কিন ক্যারগী থৌরাংদা এন্টি-বেক্টেরিয়ল টোনর অমা য়াওহনগদবনি। মদুনা নহাক্কী স্কিনগী পি ঐচ হঞ্জিনহনগনি অমসুং ইনফেক্সন থিংগনি।



Title : ELEPHANT





O. Palin
Class : V, Sec:A, Roll: 17
Smart Universal Academy


Title : SCENERY





Prativa
Class : III, Sec: A, Roll:2
Smart Universal Academy


Title : A HOUSE





Waikhom Nandita Devi
Class : V, Sec: A, Roll:1
Smart Universal Academy

Title : HOUSE






Rainbow
Class : IV, Sec: A, Roll:10
Smart Universal Academy


Title : SCENERY






Pritam
Class : V, Sec: B, Roll:21
Smart Universal Academy

Title : BRIDGE





Urikhimbam Jenita Devi
Class : V, Sec: A, Roll:14

Title : FOOTBALL PLAYER





Oinam Kitanjit Meitei
Class : III, Group: C, Roll:14
Smart Universal Academy


Title : SCENERY





Gyaneshwor
Class : III, Sec.:, Roll:13
Smart Universal Academy


Title : A CANDLE






Mijajur
Class : II, Sec.:, Roll:26
Smart Universal Academy

Title : HOUSE






Eisha
Class : II, Group.:B , Roll: 44
Smart Universal Academy



## খঞ্জিল্লুদবা অচুম্বশিং

### দিষ্টিল্ড ৱাটরদা ঙা হিংবা ঙমদ্রিবা করিগীনো?



ঐখোয়না ইতেক তেকপা (ফ্রেস ওইরিবা) অঙ্গুর অমা লৌরগা দিষ্টিল্ড ৱাটরদা পুং অমা থমসি। অঙ্গুর অদু পুং অমগী মতুংদুদা হান্নদগী মপোক চাউখৎলকপা উগনি। অতোপ্পা অঙ্গুর অমা অমুক থুম থাকপা ঈশিংদা (সোল্টি ৱাটরদা) থমসি। থুমহী চেনবা ঈশিংদা থম্লুবা অঙ্গুর অদু হান্নদগী পীকশিন্না খুইজিন্না উগনি। অঙ্গুরগী মহীদা মিনরেল, সুগর অমসুং অতৈ মচল কয়া য়াওই। অঙ্গুরগী মকু অসি ঈশিং নৎত্রগা মহী অমা ফাওদোক-ফাওজিন খরা য়াবা (সিমি পর্মিয়েবল) মেম্ব্রেননি। ওসমোসিসকী থৌওংনা ঈশিংনা মেম্ব্রেন অদুগী নাকল অমদগী অতোপ্পা নাকল অমদা ফাওদোকখি।

দিষ্টিল্ড ৱাটর মনুংদা অঙ্গুর থম্বা মতমদা অঙ্গুরগী মহীদা য়াওরিবা অথুম্বা নৎত্রগা অয়াকপগী চাং অদু দিষ্টিল্ড ৱাটরদগী হেল্লি (দিষ্টিল্ড ৱাটরদি পুংচম চম্বা ঈশিং ওইবনা)। ঈশিংনা ওসমোসিসকী পাম্বৈনা অঙ্গুরগী মপান্দগী অঙ্গুর মনুংদা ফাওজিল্লগা চঙখি। অসুম্না মপান্দগী দিষ্টিল্ড ৱাটর চঙবদগী অঙ্গুর অদু উবদা বূপ বূপ লাওনা তরুম তরুম্না চাউথোক্লা উরকই। থুমহি চেনবা ঈশিংদা (থুম হাপচিন্দুনা তুমহল্লবা ঈশিংদা) থম্বা অঙ্গুরদি দিষ্টিল্ড ৱাটরদা থম্বগী ওন্ন-তৈনবদা পুং অমা লৈরগা ময়াং কংশিল্লক্কনি অমসুং খুইজিল্লক্কনি। মরমদি ওসমোসিসকী থৌওংদা থুমগী চাং হেন্না য়াওবা ঈশিংদা খরা পানা য়াওবা অঙ্গুরগী মহীদু মকুগী মপ্রাম ফাওরগা চঙখিবদগীনি। ঙাগী মকূ অসি ঐখোয়না মতাং অসিদা অঙ্গুরগী মকূগা মান্নে হায়না লৌগনি। দিষ্টিল্ড ৱাটরদা ঙাদু লৈবা তারবদি ওসমোসিসকী থৌওং চত্থদুনা ঙাগী মপান্দা লৈবা ঈশিংদু ঙাদুগী মনুংদা চঙখি। মরমদি ঙাগী মশাদা য়াওরিবা থুমহীগী চাংনা ঈশিংদগী হেল্লি। অসুম্না ঙাগী মশাগী মনুংদা য়াওরিবা মহি-মনাইশিং অদুদা মপান্দগী ঈশিং চঙশিল্লত্তুনা দাইলুসন তৌথিবা য়াবগী খুদোংথীবা লৈ। মতম শাংনা দিষ্টিল্ড ৱাটরদা ঙা থম্বা নৎত্রগা য়োকপা তারবদি ঙাদু অসুম অসুম চাউথোরক্তুনা মমৈথংদা পোকখায়বা য়াই।

